## শেল-থুমগী থবকশিং কনখৎলগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ৩০, (এজেন্সি) :
লৈবাক অসিনা কোরোনাভাইরস ক্রাইসিস থেংনবদা চেকশিন-থৌরাং খুদিংমক ঙাকপগা লোয়নননা শেল-থুমগী থবক-থৌরমশিংসু কনখৎলগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা মোদিনা ইন্দিয়া হৌজিক অনলোক ২ গী তাঙ্কক্তা চঙশিন্দুনা শেল-থুমগী অহেনবা থবক থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌরগনি। লৈবাক অসিনা য়ারিবমখৈ মপান্দগী পোৎ-চৈশিং পুশিল্লকপা হন্থহন্দুনা লোকেল পোত্থোকশিং হেনগৎহনবদা মীৎয়েং থম্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক মহাক্না শাথিরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি থেংনবদা মীয়াম্না য়ারিবমখৈ চেকশিন-থৌরাংশিং ঙাক্কদবনি হায়নসু চেকশিনৱা ফোঙদোকখি।

## হোং কোংদা অহোংবা লাকহনগদবা চাইনাগী নেসনল সিক্যুরিটি লো পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রে

বৈজিং, জুন ৩০, (এজেন্সি) :
চহী ২৩ গী মমাংদা চাইনিজ লৈঙাক্তা হল্লকখিবা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি হোং কোংগী পুন্সি মহিংদা চাওনা অহোংবা লাকহল্লগনি হয়না থাজনরিবা চাইনাগী নেসনল সিক্যুরিটি লেজিসলেসন লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রে।

সিটি অসিদা হৌখিবা চহীদা লেপ্তুনা চত্থখিবা প্রো-দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিংগী পাউখুম ওইনা পুথোক্লিবা অমসুং তোখায় তানবা হোৎনবা, টেররিজম অমদি মপানগী ফোর্সশিংগা খুৎশম্নবগী থৌওংশিং নমথবগী পান্দম লৈবা লো অদুগী অকুপ্পশিং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙলগনি। লেজিসলেসন অদুনা বৈজিংবু মখা তানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বৃটেন অমসুং



অতৈ নোংচুপ্লোমগী গভর্নমেন্টশিংগা মুক্লবগী ফিভম লাকহনগনি হায়না ওবজার্ভরশিংনা ফোঙদোক্লরি।

লো অদুনা কুমজা ১৯৯৭ কী জুলাই ১ দা সিটি অসিদা পীখিবা অৱাংবা থাক্কী ওটোনোমিদা চাওনা অকায়বা পীরগনি হায়না নোংচুপ্লোমগী গভর্নমেন্টশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। লল্লোন-ইতিক, সাউথ চাইনা সী অমসুং নোভেল কোরোনাভাইরসকী মতাংদা চাইনাগা য়েৎনদুনা লৈরিবা য়ু এসনা হোং কোংদা পীরম্বা স্পেসল ষ্টেটস নিংথৌকাবা নুমিত্তগী লৌথোকপা হৌদুনা সিটি অসিদা পীরম্বা ঙাকশেলগা মরী লৈনবা এক্সপোর্টশিং অমসুং অতৈ টেক্নোলোজিগী খুদোংচাবা কয়া থিংজিনখ্রবনি।

ভিদিও লিঙ্ককী খুত্থাংদা জিনিভাদা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙখিবা হোং কোংগী লিদর কেরি লামনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা ঐখোয়গী লৈবাক্কী হায়বদি চাইনাগী নেসনল সিক্যুরিটি ঙাক শেনজনবা লৌখৎচরিবা খোঙথাংশিং ইকাই খুম্নবা অপিল তৌখি। খুদক্তা চৎনবা হৌরগনি হায়না থাজনরিবা লো অদুনা হোং কোংগী ওটোনোমি নৎত্রগা সিটি অসিগী জুদিসরিগী নীংতম্বদা অকায়বা অমত্তা পীরোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। বৈজিং অমসুং হোং কোংগী ওথোরিটিশিংনা লেজিসলেসন অদু শুপ্নগী ইরাং থোকহন্নবা হোৎনবশিংদা টার্গেট তৌদুনা পুথোকপনি হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ফোঙদোকখ্রবনি।

## য়ু এসকী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী মকোক্না টেষ্ট হেন্না পাঙথোক্নবা অপিল তৌখ্রে

ৱাশিংটন, জুন ৩০, (এজেন্সি) :
য়ু এসনা কোরোনাভাইরস পান্দমিক্কী শাথিরবা চৈথেং কয়া মখা তানা থেংননবা হোৎনরকপগা ইরোয়ননা হ্বাটস হাউস কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোর্সকী মকোক দেবোরাহ বিরক্সনা লোকেল ওথোরিটিশিংদা লায়না দিটেক্সনগী টেষ্ট হেন্না পাক শন্না পাঙথোক্নবা অপিল তৌখ্রে।

লৈবাক অসিগী গভর্নরনশিংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখিবা বির্ক্সনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা টেক্সাস অমসুং অরিজোনা ষ্টেটশিং অচৌবা হোটস্পোটশিংনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং টাস্ক ফোর্সনা কম্যুনিটি লেভেলদা থাঙ্গৈশেংনা মীশিং য়াম্না টেষ্ট তৌবা য়ানবগী অনৌবা টেক্নিক খরা শীজিন্নহল্লগনি হায়খি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা য়ু এসতা কোভিদ-১৯না মী



শিহনবগী চাং শীংথানিংঙাই ওইনা নেমথরকপগী ফিভম উবা ফংলবসু করিগুম্বা ঐখোয়না হৌজিক মপুং ফাবা মওংদা লায়না অসি কন্ট্রোল তৌনবগী থৌরাংশিং খুদক্তা পায়খৎহৌদবা তারবদি অমুক হন্না লাইচৎ শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক ফাওবদা য়ু এসতা কোভিদ-১৯গী কেস২,৫৮৮,৫৮২ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ১২৬,১৩৩ য়ৌরে হায়বসি জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী দেতানা উৎখি। য়ু এসকী হৌজিক লৈরিবা কোরোনাভাইরস কেস অমসুং মীশিশিংগী মশিং অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইরি।

## টালিবানগী পোলিটিকেল ওফিসকী মকোক্না মাইক পোম্পিওগা ৱারী শান্নখ্রে

কাবুল, জুন ৩০, (এজেন্সি) : মরা তপ্না ফিভম লাকহন্নবগী ৱারী শান্নবা হৌবদা লৈরিবা খুরৌশিং লৌথোক্নবা হোৎনরকপা খোঙথাং অমদা দোহাদা লৈবা টালিবানগী পোলটিকেল ওফিসকী মকোক্না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ মাইক পোম্পিওগা ভিদিও কনফরেন্স অমা পাঙথোক্তুনা অফঘান পিছ প্রোসেসকী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হাৎন-শুনবা হেনগৎলকপা অমসুং অফঘান গভর্নমেন্ট অমসুং টালিবানগী মরক্তা প্রিজনরশিং শীন্নবগী থৌরাং অমনা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী থৌরাংশিং থেংথহনখি। হান্নদি লালহৌবা গ্রুপ অসিগা কাবুলনা খনবা টিম অমগা হৌখিবা মার্চতা ৱারী শান্নবা হৌনবা লেপ্পল্লম্বনি।

ত্বিটরদা টালিবানগী স্পোক্সমেন সুহায়ল সাহিদনা হায়খি মদুদি, নিংথৌকাবা নুমিত্তা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা টালিবানগী ওফিসল মুলা বরাদরগা মাইক পোম্পিওনা ৱারী শানখিবা অদুদা দোহাগী একোর্দ মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা অমসুং ফোরেন ট্রুপশিং অফঘানিষ্টানদগী লৌথোকপা, প্রিজনরশিং থাদোক্নবা, অফঘান মশেলগী ৱারী অমসুং হাৎন-শুনবা হন্থহনবগী ৱাফমশিং খন্নখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা য়ু এস অমসুং টালিবাননা সাইন তৌনখিবা দোহা এগ্রীমেন্ট অদুদা ট্রুপশিং লৌথোকপগী ৱাফম য়াওরিবনি।

## নোর্থ কোরিয়াগী দিফেক্তর মচিন-মনাওশিং ৱাহং-পাউহং তৌখ্রে

সিওল, জুন ৩০, (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়াগী দিফেক্তর মচিন-মনাওশিংনা শেম্বা গ্রুপশিংগী এন্টি-প্যোংয়াং লিফলেট কেম্প্যনগা মরী লৈননা সাউথ কোরিয়াগী পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মখোয়বু কৌখত্তুনা ৱাহং-পাউহং তৌখ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ফ্রী নোর্থ অমেরিকাগী ফাইটরশিংগী মকোক পার্ক সাং-হক অমসুং অতোপ্পা দিফেক্তর গ্রুপ অমা ওইরিবা ক্যুনসেমবু লুচিংলিবা মহাক্কী মনাওনুপা জুঙ্গো লৈবাকপোক নুমিৎগী অয়ুক পুং ৯.২০ দা ৱাহং-পাউহংগীদমক্তা সিওল মেট্রোপোলিটান পুলিস একাদেমিদা লাকখি।

লিফলেট থাবগী মায়োক্তা গভর্নমেন্টনা পীখিবা ৱার্নিং থৌশাদনা পার্কনা হৌখিবা চয়োলদা মহাক্কগী গ্রুপনা অচৌবা হেলিয়ম বেলুন ২০ শীজিন্নদুনা লিফলেট ৫০০,০০০ নোর্থ কোরিয়াদা থাখ্রে হায়না ক্লেম তৌখি। ইন্টর কোরিয়ন এক্সচেঞ্জ এন্দ কোওপোরেসন য়াওনা লো কয়া খোঙ্গাওনরিবা অসিগুম্বা থবকশিংগী মায়োক্তা অকনবা খোঙ্থাংশিং গভর্নমেন্টনা লৌখৎলগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টকী ওফিসনা মমাংদা ৱার্নিং তৌখ্রবনি।



হৌখিবা জুন ১০ দা য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিনা ওর্গনাইজেসন অনী অসিগী মায়োক্তা পুলিসতা ক্রিমিনেল কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখি অমসুং মখোয়গী বিজিনেস পার্মিটশিং ককথৎনবা ৱারেপ লৌখি। নোর্থ কোরিয়াগী পোলিটিকেল সিষ্টেম অমসুং নোর্থকী লৈঙাক পায়রিবা কিমগী ইমুংবু চৈ থাংলিবা লিফলেটশিং চাইথোকপগী কেম্প্যেনদা হন্দক্তা কোরিয়া অনীগী মরক্তা মুক্নবা লাকহন্নবগী মরু ওইবা মরম ওইখি।

পুলিসনা লিফলেট কেম্প্যেন অদুবু লুচিংলকখিবা মচিন-মনাও অনী অসিগী গ্রুপশিংনা চত্থরক্লিবা থবকশিংগী মতাংদা লৈরিবা চিংনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা মখোয়বু ৱাহং পাউহং তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা পুলিসনা দিফেক্তর গ্রুপ অনী অসিগী ওফিসশিংদা রেইদ চত্থখি। কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা য়ৌগি প্রোভিন্সকী বোর্দর টাউনশিংদা লৈবা মীওই কয়াসু ৱাহং-পাউহং চত্থখি।

## ঈ য়ুগী ইনভোই ভেনিজ্যুএলা থাদোক্নবা খঙহনখ্রে

করাকাস, জুন ৩০, (এজেন্সি) : য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না ভেনিজ্যুএলাগী ওফিসল ১১ গী মায়োক্তা অথিংবা কয়া লাউথোকখ্রবা মতুংদা করাকাসতা লৈরিবা ব্লোক অসিগী মিসনগী মকোক ওইরিবা ইসাবেল ব্রিলহান্টে পেদ্রোসা পুং ৭২ গী মনুং ভেনিজ্যুএলা থাদোক্তুনা চৎখিনবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা খঙহনখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মাদুরোনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা সীনহ্বা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়গী খোঙথাং অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়গী লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং মথংগী পুং ৭২ অসিগী মনুংদা উবা ফংলগনি। য়ুনিয়নগী এনভোই করাকাস থাদোক্লগা চৎখিনবা প্লেন অমা পীরগনি। অমরোমদা, ঐখোয়না য়ুনিয়ন অসিগা মখা তানা ৱা তাথোক-তাশিন তৌনখিগনি হায়নসু মাদুরোনা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না অথিংবা থল্লিবা ভেনিজ্যুএলাগী ওফিসলশিংগী মনুংদা ওপোজিসন লেজিসলেটর লুই পারাসু য়াওরি। মহাক ওপোজিসন অমসুং মাদুরোগী মরু ওইবা চেলেঞ্জর ওইরিবা জুৱান গুৱাইদোনা কন্ট্রোল তৌরিবা নেসনল এসেমব্লিগী লিদরসিপ তান্নরিবা মীশক অমনি।

কুমজা ২০১৭ দা ঈ য়ুনা ভেনিজ্যুএলাগী মায়োক্তা খুৎলায়গী অথিংবা য়াওনা মখল-মখা কয়াগী অথিংবা থমজিনখিবদগী নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনদুনা লাক্লিবনি।

## রসিয়া, টর্কি, ইরানগী লিদরশিংনা সিরিয়াগী মতাংদা খন্নরগনি

মোস্কো, জুন ৩০, (এজেন্সি) : সিরিয়াগী কনফ্লিক্টকী মতাংদা খন্ননবা রসিয়া, টর্কি অমসুং ইরানগী প্রসিদেন্টশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ভিদিও কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ক্রেম্লিননা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়াগী চহী ৯ শুরক্লবা লানদা রসিয়া অমসুং ইরাননা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী ফোর্সশিং শৌগৎপা মপানগী পাৱরশিং ওইরি অমসুং টর্কিনা ওপোজিসন ফাইটরশিং শৌগত্তুনা লৈরি। কুমজা ২০১৭ দগী হৌখিবা দিপ্লোমেটিক প্রোসেস অমগী মখাদা কনফ্লিক্ট অসিদা শরুক য়ারিবা পার্টিশিংনা হাৎন-শুনবা হন্থহন্নবগী থবক পায়খৎপগী ৱাফম য়ানখি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ব্লাদিমির পুটিন, হসন রৌহানি, টায়িপ ইদোগানগী মরক্তা ৱারী শান্নগদৌরিবদু জি এম টি ১১ রোম তাবদা পাঙথোক্কনি হায়না ক্রেম্লিননা ফোঙদোকখি। চয়োল অনীগী মমাংদা রসিয়া অমসুং টর্কিনা মিনিষ্টর থাক্কী ৱারী শান্নবা য়ৈথোকখিবনি।

## ইটালিদা কোভিদ-১৯না শিখিবা মশিং ৬ তগী হেনখিদ্রে

রোম, জুন ৩০, (এজেন্সি) : ইটালিদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১২৯গী মীশি মশিং রেকোর্দ ওইবা মওংদা তরুক্তগী হেনখিদ্রে হায়না নেসনল হেল্থ ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল লেভেলদা কোরোনাভাইরস পান্দমিক্কী অহানবা তাঙ্কক্কী ফেব্রুৱারি ২৪ দগী লৈবাক অসিদা অসুম্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মী শিবগী চাং নেম্বসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা রেকোর্দ তৌখিবা অসিনা অহানবনি।

অহানবগী পান্দেমিক ফেজ অদুদা পুন্না কেস ২১৯ থেংনখিবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা ইটালিয়ন ৫ শিবা হৌখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা শিখিবা মীওই ৬ অসি থারগা ইটালিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদা শিবা মীশিং অসি ৩৪,৭৪৪ য়ৌরে। হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না এক্তিভ ইনফেক্সন মশিং নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈখিবগা চাংদম্নবদা ১৮৫ হন্থদুনা কেস ১৬,৪৯৬ তা লৈখি।

## ওপোজিসন কাঙবুশিং পুলিসকী অথিংবা থুগায়নবা শেম-শাখ্রে

হোং কোং, জুন ৩০, (এজেন্সি) : জুলাই ১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা চহীগী ওইবা প্রো-দেমোক্রেসি রেলিগী অথিংবা থুগায়নবগী থৌরাংশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হোং কোংগী ভেটরন এক্তিভিষ্টশিংনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা চাইনাগী নেসনল সিক্যুরিটি লোগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবগী খোঙচৎ অমসু লাংলগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

বৈজিংগী তোপ লেজিসলেটিভ বোদিনা ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইরবা লো অমা পাস তৌখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা ওপোজিসন এক্তিভিষ্টশিংনা থৌরাং অসি লাউথোকখিবনি। অনৌবা লেজিসলেসন অসিগী পান্দমদি তোখায় তানবা হোৎনবা, ওথোরিটিশিংবু শীংনবা, টেররিজম অমসুং ফোরেন ফোর্সশিংগা লৌতুনরগা নেসনল সিক্যুরিটিদা অকিবা পোকহনবশিং লাকশিনবনি। সিভিল হ্যুমেন রাইটস ফ্রন্টনা খোঙচৎ পাঙথোক্নবা অয়াবা পীয়ু হায়বদা পুলিসনা য়াখিদ্রবনি।

## চাইনিজ এপশিং থিংবখক্না য়ারোই, মতিক চাবা পাউখুম পীয়ু

কোলকাতা, জুন ৩০, (এজেন্সি) :
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লৈঙাক পায়রিবা টি এম সীনা ইন্দিয়া-চাইনা বোর্দর ইশ্যুগী মতাংদা সেন্টরবু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা চাইনিজ এপ ৫৯ থিংজিনবনা কান্নবা পীবা ঙল্লোই হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

শুপ্নগী এপ খরা অথিংবা থম্বনা ঐখোয়গী অপাম্বশিং ফংবা ঙল্লোই। ঐখোয়না চাইনাদা মতিক চাবা পাউখুম অমা পীবা পাম্মী। করম্না মতিক চাবা পাউখুম পীগদগে হায়বসিগী মতাংদা হৌজিক সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ৱারেপ লৌগদবনি হায়না বেনর্জিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, করিগুম্বা ঐখোয়না চাইনাদা মতিক চাবা পাউখুম





পীবগী খোঙথাং অসি লৌখত্তবা তারবদি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না ইশ্যু অসিগী মতাংদা লৈরিবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ফিরেপতা ৱাহং কয়া হংলকপা য়াই।

মখা তারদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সী এমনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা চাইনাগী মায়োক্তা অকনবা ফিরেপ অমা লৌরকপা তারবদি ঐখোয়না মদু অতৈ ৱাফম অমত্তা খন্নদনা ইমপ্লিমেন্ট তৌহনবা পাম্মী। ঐখোয় অকন-অরিংগী ফিরেপ খরসু লৌফম থোকই।

ইশ্যু অসিগী মতাংদা লৈরিবা মহাক্কী পার্টিগী ফিরেপ অমুক হন্না খঙহল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, তৃনামুল কোংগ্রেসকী পোলিসিদি ইন্দিয়াগী মপানগী মরীশিং অমসুং সিক্যুরিটিগী ইশ্যুশিংদা খুৎ থিংজিনদবা হায়বসিনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চহী অসিগী নবেম্বর ফাওবা পি এম জি কে এ ৱাইগী বেনিফিসরিশিংদা চেঙ-চাক অমদি হৱাইনচিংবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং লেম্না ফংহনগনি হায়না লাউথোকখিবগা ইরোয়ননা মমতা বেনর্জিনসু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাক্কী গভর্নমেন্টনা মথং চহী ২০২১গী জুন ফাওবা মীয়ামদা লেম্না রসন ফংহনগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মহাক্না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীশিং চাদা ৬০ খক্না সেন্ট্রেল রসন ফংই হায়নসু ক্লেম তৌখি। লোকদাউনগী চৈথেংনা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নহল্লিবা মীয়ামগী মতেং ওইনবা সেন্টরনা পি এম জি কে এ ৱাইগী স্কিম লাউথোকখিবনি।

## বোর্দর ইশ্যুশিংগী ৱারোইশিন পুরক্নবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মিলিটরি দেলিগেটশিংনা ৱারী শানবা হৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ৩০, (এজেন্সি) :
ইষ্টর্ন লদাখকী ঙমখৈগী ৱাথোক লৈখায় তাথোক্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ইন্দিয়ন অমসুং চাইনিজ মিলিটরিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগী মরক্তা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তগী ৱারী শান্নবা হৌখ্রে।

চুসুলদা পাঙথোক্লিবা মীফম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চাইনিজ দেলিগেসন্দা পিপলস লিবরেসন আর্মিগী ট্রুপশিং বোর্দরদগী ফোর্স লৌথোক্নবা য়ানখিবা ৱাফম ইন্দবগী থৌওং মাল্লি হায়বগী অকনবা মেসেজ অমা থমখ্রে হায়রি।

লৈবাক অনীগী মিলিটরি



দেলিগেসনশিংগী মরক্তা মীখল পাঙথোকপা মসিনা অহুম্লক শুবনি। মমাংগী মীফম অনী কোর কম্যান্দরশিংগী লেভেলনা জুন ৬ অমসুং জুন ২২ দা পাঙথোকখি। হন্দক্কী মীফম অসি বোর্দরগী ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লৈবা চুসুলদা পাঙথোকলি। মমাংগী মীফম অনীদুনা চাইনাগী মায়কৈদা লৈবা মোল্ডোদা পাঙথোকখি।

হৌজিক লৈরিবা মুক্নবগী ফিভম অসিগা মরী লৈনবা য়েৎনরিবা ৱাফম খুদিংমক খন্নদুনা তং তাবা ফিভম লাকহল্লগনি হায়না সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

চাইনানা মমাংদা পাঙ্গোং সোদগী ট্রুপশিং লৌথোকপগী ৱাফম য়াখ্রবসু থবক ওইনদি পাঙথোকখিদে। ইন্দিয়ানা লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোলগী ফিঙ্গর ৮ শুবা ক্লেম তৌবগা লোয়ননা চাইনানা ফিঙ্গর ৪ অমসুং ফিঙ্গর ৫ শুবদা ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌদুনা লৈরিবনি। দেপসাং অমসুং দেমচোক এরিয়াশিংদসু নাকল অনীগী মরক্তা য়ানদবা ৱাফমশিং লৈরি। হৌখিবা জুন ২২ দা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মিলিটরি দেলিগেসনশিংগী মরক্তা পুং ১১ চুপ্পা ৱারী শান্নখি।

## কিহল্লকপদগী টাজ হোটেলগী সিক্যুরিটি কনখৎখ্রে

মুম্বাই, জুন ৩০, (এজেন্সি) :
টেরর এটেকশিং চত্থগনি হায়না কিহল্লকখিবা মতুংদা গেটৱে ওফ ইন্দিয়াগী মনাক্তা লৈবা মমিং লৈরবা হোটেল টাজ মহল পেলেস অমসুং বন্দারাগী হোটেল টাজ লেন্দস এন্দ ঙাক শেনবগী থৌরাংশিং কনখৎহল্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওফিসল সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংয়াই মতুং পুংখায়রোম চৎপা মতমদা হোটেল টাজ মহল পেলেস অমসুং হোটেল টাজ লেন্দস এন্দদা কিহল্লকখিবনি। পুলিসনা য়াম্না থুনা হোটেল অনীমক্কী মপান্দা সিক্যুরিটিগী অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি অমসুং ফোন তৌদুনা কিহল্লকখিবদুগী মতাংদা থিজিন-হুমজিনবা হৌখি। ফোন কোল অদু পাকিষ্টানগী করাচিদা শীজিন্নবা নম্বর অমদগী লাকখিবনি।

লাস্কর-ঈ-তাইবাগী ওপরেটিভ অমনি হায়না ক্লেম তৌজখিবা কোল্লর অদুনা হোটেল অদু বোমশিং শীজিন্নদুনা থুগায়রগনি হায়না কিহনখি। মুম্বাই পুলিসনা হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রবসু টাজ গ্রুপ চল্লাইরিবা ইন্দিয়ন হোটেলস কম্পনিনা চেরোল অমা থোক্তুনা কিহল্লক্লিবদুগী মতাংদা খুদক্তা ওথোরিটিশিংদা পাউ পীখি অমসুং হৌজিক ওথোরিটিশিংনা থিজিন-হুমজিনবদা মপুং ফানা মতেং পাংলগনি হায়খি।

## কৌজেং লাকশিন্নবা হেলিকোপ্টর শীজিন্নবা হৌদোকখ্রে



গ্রেটর নোইদা, জুন ৩০, (এজেন্সি) :
পাকিষ্টান্দগী লৈবাক অসিদা চঙশিল্লকপা কৌজেং মপৈশিং মাঙহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা য়ুনিয়ন এগ্রীকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নরেন্দ্র সিংহ তোমারনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা গ্রেটর নোইদাগী হেলিপেদ অমদগী নোংথক্তগী তীলহাৎ হীদাকশিং চাইথোক্নবগী খুৎলায় য়াওরবা হেলিকোপ্টর অমা শীজিন্নবা হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা তোমারনা হায়খি মদুদি, অহানবা ওইনা কৌজেং লাকশিন্নবগী ওপরেসন্দা শীজিন্নবা হেলিকোপ্টর অমা দিপ্লোই তৌরগনি। মসিনা কৌজেং মপৈশিং মাঙহনবদা মতেং পাংলগনি। নোংথক্তগী তীলহাৎ হীদাকশিং চাইবদা দ্রোনশিং শীজিন্নবা হৌখ্রবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, হীদাক চাইনবা হেলিকোপ্টরশিংদা ফিট তৌগদবা ইক্বিপমেন্ট লাকপদগী ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী হেলিকোপ্টর ৪ অমসু লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কৌজেং লাকশিন্নবগী ওপরেসনশিংদা শীজিন্নরগনি। কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কী খুরৌ কয়া থাংহনবা লৈদুনসু মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিএসন্না দ্রোনশিং, হেলিকোপ্টরশিং, এয়রক্রাফট শীজিন্নদুনা কৌজেং কন্ট্রোল তৌনবা হীদাক চাইবগী অয়াবা পীখিবনি।

## জুনগী ওপরেসনশিংদা টেররিষ্ট ৪৮ হাৎখ্রে

শ্রিনগর, জুন ৩০, (এজেন্সি) :
জুন থাদা পাঙথোকপা এন্টি-টেরর ওপরেসনশিংদা টেররিষ্ট ৪৮ হাৎখ্রে হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মির দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) দিবাঘ সিংহনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

জম্মুগী বোর্দর দিষ্ট্রিক্ট পুঞ্চতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা সিংহনা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এন্টি-টেরর ওপরেসন কয়া পাঙথোকখি অমসুং টেররিষ্ট কয়া অমদি মখোয়গী কম্মান্দর কয়া হাৎপা ঙমখি।

ওপরেসনশিং অদুগী অকুপ্পা ৱারোল পীরদুনা মহাক্না হায়খি, হৌজিক ফাওবদা চহী অসিদা টেররিষ্ট ১২৮ হাৎখ্রে। মখোয়গী মনুংদগী টেররিষ্ট ৪৮ দি জুন থা অসিদা হাৎখিবনি।

চহী অসিদা হাৎখিবা টেররিষ্ট ১২৮ গী মনুংদা ৭০ দি হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী মিলিটেন্টশিংনি অমসুং মিলিটেন্ট ২০না লাস্কর-ঈ-তাইবাগীনি অমসুং অতোপ্পা মিলিটেন্ট ২০ না জায়স-ঈ-মোহম্মদকীনি। অতৈশিং অদুনা অতোপ্পা টেরর আউদফিদশিংগীনি।

"FREE ONLINE CLASSES"
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/3235/27/06 to 26/07

ADMISSION OPEN ADMISSION OPEN
INTERNATIONAL MODERNISED ACADEMY
(I.M.A.) REGD. NO. 19 SEPT. 2001
NONGMEIBUNG PURANA RAJBARI
NEAR KUSUM OIL PUMP
(RECOGNISED BY COHSEM)
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI SC. OF 2020-21
Direct Admission facilities for all candidates special facilities for 75% and above Class X Exam. of BOSEM
Prospectus & application form can be obtained from the school office during the office hour (10am - 2pm)
*For more details contact*
9863015419 / 8729983208 / 9615269953
HL-P/7187/25june to 24 july

Delta Advance School
Kwakeithel, Imphal (Affiliated to COHSEM)
Admission for Class XI (Sc. & Arts) through Online/Offline for 2020-21 session
Due to the nCovid-19 Lockdown, the school has given an oportunity to the aspirants of Delta Advance School that
Admission fee will be FREE for 60% & above
Admission fee will be only Rs.1,000 for 45% & above but below 60%
This opportunity is for first 100 students only & ends on 20th June, 2020
For other benefits/facilities, kindly visit Office or website & submit the Original Admit Card for joining Full online Classes.
Website: deltaadvanceschool.com
HL-B/6219/17/6-16/7
Sd/- Principal